ৱারীমচা

# ফিলোরগী য়ুমজাও

*কৈশাম বিজয়*

'নঙগী পোৎ-চৈদা করি করি অৱাৎপা লৈরিবগে অমুক্তা য়েংউ।' য়ুমগী থবক লোইশিন লোইশিননা মচা নুপাদো কৌদুনা হায়রকই। ইচানুপা মালেমদো লাইরিক মখা তমথনবা হায়দুনা মমাগা ঐগা খন্নজবনি। তাইবঙ মপুগী নোংদম হায়গদবা কোলকতাগী অফবা কলেজ অমদা ফংদুনা বি এ তমথনবা হায়দুনা লেপনরে। চৎননবা তিকেত ককপা অতৈ মরুওইবা চে চাং খোমজিন্দুনা শেম শাজরবনি। চৎকদবদি হংচিৎনি। অহানবা চৎপা অদুমদি ঐগা চৎপা হায়না লেপ্লরে। মতম অমদা পীশক পীক্লা লৈরকপা করম্বা মতমদা চাউখিবনো খঙহৌদে। খাম্বা য়াদবা পোৎশকসে মতম হায়বসি তাররেনে। 'মালেম নঙগী পোৎচৈশিং নমানা পীবশিংদুগা লোইনা হাপচিনলো।' ঐনা ইচানুপাদু কৌদুনা হায়রম্মী। 'হোয় পাবুং, লোইনা হাপচিনলে।' ইচানুপা মালেমনা খুল্লকই। বেগ অচৌবা অমগা মচা অমগা শেম শাজরি। 'হয়েংদিনে নমাগা ঐখোয় লাই খুরুম্বা চৎকদবনিকো। নুমিদাংদুদা ঙা অমা থোংলগা ময়াম য়ুমদা চামিন্নরসি।' ঐনা মখা তারকই।

'ফরে, ফরে ঐনসু হায়রবনি ঙসাইনা।' মমানা অমুক খুল্লকই। অসি হায়দুনা মমা মচা অৱাৎ অপা করিনো য়েংশিনমীন্নরি। ঐসু ইশাগী পোৎ-চৈ অসুম য়েংশিল্লি। ইচাগী মমিং চনবা লোইশিন্দুনা মাগী অৱাৎপা মতম খরা য়েংশিনবীরল্লবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ঐহাক য়ুমদা থোরক্লে।

য়ুমদা য়ৌরগা ঈরুজ-মাইথজরবা মতুংদা ঙাইহাক মমাগা ফম্মীন্নদুনা ৱারি শাই।

'কলেজদুবু কমাই তৌহৌগে? লৈফম্না কমাই তৌগে?' মমানা মখা তারকই। তাঞ্জাদুদা চা পুথোরক্তুনা থকমীন্নে। মফমদুদি য়াম্না ফৈদা। লাইরিক লাইশু ফজনা তমগদবা মফমনি হায়নৈ। ঐনা অমুক মখা তারকই।

'মমাঙ লৈকাই ইচে তোম্বীগী মচাদুসু দিল্লিদা কলেজ অমদা তমনবা মীং চনবা চৎখ্রে হায়। করি সবজেক্টনো হায়বদুদি খঙদে।' মমানা অমুক খুল্লকই। ইচানুপা মালেমদো মেথমেটিক্সতা ফংদুনা মখা তমথরগনি।

'ফরে, ফরে। মাগী মাগী ফনবা হোৎনবা হায়বদুনি।' ঐহাকসু অমুক মখা তারকই। ইচানুপীদুসু দিল্লিদা মহৈ তল্লিবনি। অসুম্না অঙাং অনীমক চাউরক্লবনিনা মপান্দা লৈখিবদুদা য়ুমদু ইচিক চিকই। নহানমখেদি ঐখোয় মরী পুন্না লাংদুনা লৈরম্বনি। মমাগা অশোমদা নুমিদাংগী চাননবা করি করিনো শিন লাংই। ঐসু চাকশংদা চঙদুনা ইনশাং শেল্লিবা অদুদা মতেং পাঙশিল্লুই।

'ঙসিগী মথেলসিদি কলেনগী মতমসু ওইবনিনা কাংশোই অমগা, ঙা অতাওবগা মোরোক মেৎপা অমগা তৌরসি।' মমানা হায়রকই।

'অদুদি য়াম্না হাওনি কৈনো।' ঐনা অমুক খুমই।

ৱারি শান-শান শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। চাক ইনশাংদু থাংদোক্তুনা চাবা হৌরে। ৱারিদি শাবা লেপ্তে ঙসিদি।

'অঙাংশিংসে চাউখিবা খঙহৌদেনে।' মমানা হায়রকই।

'অদুদি, ঐসু অদুমক খল্লীবনি।' ঐনা অমুক খুমই।

'ঙা অতাউবসে অমগা হাপক্কে?' মমানা অমুক হায়রকই।

ঐনা খুম্বা নঙদ্রিঙৈদো ঐনা চারিবা পুখমদুদা ঙা অতাউবা অমা হাপলকই।

'শিদগীদি, মতমসে খঙহৌরোই। লাইরিক তম্বা লোইদুনা মশাগী থবক অমমম পায়দুনা ময়ুম মকৈগা পাল্লগদি ফনদি নুঙাইরনি।' চাক চানা চানা ঙাংবা লেপ্তে।

ঐসু নোকফেৎ তৌদুনা অদুম তাই।

ঐসু খঙই। মালেমদা লৈরিবা মমা মপাশিং পুম্বা মচা ফহন্নিংদবা কনাসু য়াওদে। অৱাবা থিদনা হোৎনবা ঙাক্তনি। মচাশিংগী অফবা মীকুপ অমদা হোৎনখিবা থেংনখিবা অৱাবা পুম্বা কাউবা ঙাক্তনি।

ঐগী নুপীনা ঙাইজরিবসি মচানা মপুং ফানা লাইরিক তম্বা লোইশিনবা অদুগা শিনফম অমা মায় পাক্লা পায়বা অসিনি। অদুগা ময়ুম মকৈ পান্দুনা মমৌ মশুকা উজবা, মখোয়না সেবাকা তৌবীদুনা নোক্লা নোক্লা লেনবা পুন্সিদুনি। তৌববুদি ঐগী নুপী খক্তগীদি নত্তেদা। পুন্নমক্কী মঙলান ওইরমগনি। ঐসু অদুমক্কি, মপা অমা ওইরুবনিনা মঙলিবা মঙলানসে।

খঙহৌদনা ঐগী নুপীদা ওনশিন্দুনা হায়রকই, 'ঐদি মমাঙ্গেগী ৱারি অমবু নীংশিংলকইনে, মমা।'

'করি ৱারিনো?' মমানা অমুক খুল্লকই।

ঐনা মখা তাই, 'হো, মতম অমদা পঞ্জাবকী ফিলোর হায়বা মফম অদুদা থবক অমগী চৎলিদনা।'

'হোই, অদু করি তৌরগে।' মমানা ঙাইঙমদনা খুল্লকই।

'ঙাইখোনে মখা হায়রক্কে তাওনে।' অসি হায়দুনা ঐনা ৱারিদো মখা তাই।

'ঐনা লুনা তিনজবা মরুপ, বলবিন্দর কৌবা অমা লৈ। ইবানিসি হান্নদগীসু লাইরিক তম্মীনরিঙৈদগী য়াম্না লুনা তিন্নবনি। লাইরিক তম্বা লোইনরবা মতুং মাগী মাগী থবক তৌনখ্রে। ঐহাকসু শেমদা লাক্লে। মাসু মাগী পোক্লফম লমদমদা হনখ্রে। মানা মফমদুদা থবক তৌদুনা লৈরে। মাগী মনাও অদুনা ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈখ্রে। মচন নুপী অদুনা দিল্লিদা ময়ুম পানখ্রে।

ঐনা পঞ্জাবতা লাক্কনি হায়বদুদা বলবিন্দরনা মানা ঐগা উননিংনা খৌরাংনা হংলকই। ঐনা পঞ্জাবকী ফিলোর হায়বা মফম অদুদা চৎতবা য়াদবা থবক অমগী লাক্কদবনি হায়না পাউদমখি। মরুপ বলবিন্দরনা, অদুদি মহাক্কী য়ুমদা লৈগদবনি হায়রকখি। ঐনসু হোই হায়দোকখ্রে। অসুম তৌনা ঐ মফমদুদা চৎলে। বলবিন্দরনা ঐবু তরাম্না ওকই। মাগীদি ফিলোর হায়বা মফমদুদা নিংথিনা ময়ুম অমসু শাদুনা লৈরম্মী।

পঞ্জাবসে তশেংনা ইনাক খুনবা মফমনি। শেম্থোক চাউনা লৈবা ওইবনা খুঙ্গংগী লমশিং পাক শন্না মনা মশিং থাবগী থবক্তা নিংথিজরবা য়ুম কয়া অমসু সহরদগী হেন্দোক্তুনা খুঙ্গংগী লমদসু উরি। নিংথিরবা মনা মশিংনা থল্লবা লৌবুক্কী মরক্তা ফজরবা চাউরবা য়ুম ময়াম অমসু উরি। বলবিন্দর থেংনদুনা ৱারি কয়া শান্নরে। নিংথিজরবা মফম কয়াসু চৎলুরে। ঐহাক্তি অয়াম্বা মতমদা খুঙ্গংগী ফজরবা চৎনবী, হরাও কুম্মৌ, পুন্সি মহিং কয়াসিবু তত্তনা য়েংনিংবা মীশক্লি হায়বা ঐগী মরুপনসু খঙই।

নোংমদি সুতিগা ওইবনা ইবানি ফিলোরগী খুঙ্গংগী নিংথিজবা য়েংশি হায়বদগী চৎখি। মাগী নিংথিজরবা কার অদু পুথোরক্তুনা ইবানি লাক্লে। পঞ্জাবতদি নোং চুবা চুদবা লৈনুংগী ঈশিং ফজনা শিজিন্নবা লমনি। মফম চানা পম্প কয়া খিনবা উরকই। লবুকশিং ইশং শংই। ঐসু হান্নদি ফনায়াম তাখ্রে মসিগী মরমদা। বলবিন্দরনসু লেপ্তুনা ৱারি লীরি। ঐনা হংনিংবা ৱাহং কয়াসু হংলি।

ঐনা মরুপ বলন্দিরদা ৱারি শাদুনা লাকপদা লৌবুক্কী মরক্তা লমহাং কয়াগী মরক্তা লৈরিবা ফজরবা য়ুমশিং অদু উরকই। চাউরবা য়ুমশিং অসিবু কনা কনা লৈবজাৎনো? তৌববুদি মীনা লৈনবা শাবনি হায়ববুদি চুম্মী। শেন ফজনা পায়বা মীওই, লৌমীশিং, সহরদগী খরা লাপ্লা ইংনা লৈনিংবা মফম থিবা, লোইননা মপান্দা হায়বসি অতৈ ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈবা ইমুংগী মীশিংনা থারকপা শেনফম ময়াম অদুনা শাবা য়ুমজাও কয়া ওইরমখি। ঐনা য়াম্না খঙনিংনা হংবদুদা ঐগী মরুপ্লা ঐবু য়ুমজাও অমদা চংলুসি হায়না পুশিল্লকই। চাউরবা লৌবুক লমহাং অদুগী মরক্তা শাবা নিংথিজরবা য়ুমজাওননি। ঐখোয় লাকপা উবদা মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়াম চনবা নুপা অমখক্লা ইবানিবু তরাম্না ওকই। মহাক য়ুমদুগী শংনবা থম্বা মীওইনি হায়বা মরুপ বলবিন্দরনা হায়রপদগী খঙলকখি।

য়ুম অদু মরুপ বলবিন্দরগী মরুপ অমগী য়ুমনি। মখোয়গী মচিন মনাওশিং লৈবাক অসিগী মপান্দা থবক তৌখ্রবনি। খরা অমনা থিবা চৎখ্রবনি হায়বা তাই। তৌবগীদি হোংলক্লিবা মতমগী চৎনবী অমগুম লাক্লিবা অমনি হায়বা তাই। লাইরিক লাইশু ফজনা তম্বা লোইরগা চানবা থবক থিবদা লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া, মালেমসিগী কাচিন কোয়া চৎনবা থোইনা অনৌবা পাউবুদি নত্তে। লমদম অসিদসু অসিগুম্বা মশিং অসি য়াম্না হেনগৎলে হায়না মরুপ বলবিন্দরনা হায়রকই।

য়ুম শংনবা থল্লিবা নুপা অদুনা ঐখোয়বু নিংথিজবা চিক্লবা কা অমদা ফমহনলি। ইচিক চিকই হায়বা তারে। সহরগী নিল খোংবদুমদি উদ্রে। ঙাইহাক লৈরগা অহল ওইরবা মতৈ মনাও অনীখক থোরকই। ঐখোয় লাকপা উবদুদা খুইরবা মাইথোঙদুদা মোমোন মীনোক তমই। তশেংনা অহল ওইরে মখোয় অনীদো। মখোয় অনীদো বলবিন্দরগী মরুপ অদুগী মমা-মপানি হায়বা খঙলকখি। ঐহাকপু মখোয়দা মরুপ বলবিন্দরনা মশক তাকই। অদুক লাপ্লা মফম অদুদা লাকপদা হেন্না হরাওখিবা মাল্লি। ঐখোয়গী লমগী মরমদা ৱারি ময়াম অমা হংলকখি। ঐনসু মখোয়দা ৱারি ময়াম অমা লিদুনা ময়াম ঙাইহাক নোকমিন্নখি। মরক্তুদা য়ুমদুদা মতেং পাঙনবা লৈরিবা নুপাদুনা চা পুথোক্তুনা থকমিন্নে। লৌউ শিং উবগী থবকসু নুপা অদুগা মাগা লোয়নবা মীওই খরনা তৌরি। অদুগী মথক্তা অহন ওইরবশিং অদুবু শেন্নবগী থবক মহাক্লা অদুমক পাংথোক্লি।

ঙাইহাক ৱারি শান্নরবা মতুংদা ঐখোয় হল্লক্লে। হল্লকপগী লম্বীদা অসিগুম্বা অচৌবা য়ুম কয়া অদুদা মরুপ বলবিন্দরনা খুৎ থিন্দুনা ঙসাইগী অদুগুম্বা অহনশিংনা লৈবা য়ুমশিংনি হায়না তাল্লকই। মচাশিং অদুনা চহী খরা লৈরগা ময়ুমদা থোল্লকপা, অমরোমদা থোল্লক্তবা চহী কয়া কয়া য়াওবা কয়াসুনি হায়বা খঙলকই।

করিনো খঙদে অহনশিং অদুগী মায়থোঙদা নিঙমদবগী মমি অমা চাউনা তাহৌবদৌনা ঐনা মতমদুদা উখি। থোইনা খল্লুদবা ৱাফমনি। মতমদুদদি। মখোয়গী মায়থোঙনা ৱাহং কয়া হংহৌবদৌনা তৌখি। অদুগা অমরোমদা করিনো খঙদবা খোঞ্জেল অমনা ঐঙোন্দা করিগুম্বা খরা নাকোঙ ময়াসিদা হারকপগুম তৌখি।

অদুনি মমা, ঐনা মতম অমদা চৎলুবা থেংনরকপা ফিলোরগী য়ুমজাওদো ঙসি খঙনিং হেক নিংশিংলকপগী ৱানিদা।

য়াম্না খল্লুনদা। নঙনা হায়নিংলিবদো ঐসু খঙই। অদুবু মমা মপানা মচাশিংবু হেক ঙম্বা থাক্তা মী ওইহন্নবা হোৎনবা তাবনি। মমানা মখা তারকই।

'মতমসে থেংলমলেনেহৈ। ৱারি অসুম শারিঙৈদা খঙহৌদরে। চাবসে লোইশিল্লসি।' ঐনা খুমখি।

অসি হায়রগা হৌগৎতুনা খুৎ শা হামদোক্লে।

'হিংনবগী লানফমসে মওং মওংনি। হিংলিবমখেদি থেংনবা তারেদনা।' মমানা হায়দোরকপা ৱাদু তাবদা ৱাখলসে খরা চাউথোকপগুম তৌখি।

'থবক ইনখাং খরদুদি নঙ লোইশিনলোনে।' অসি হায়রগা থংনবা কাদা চৎকে থোরকই।

'হো য়ারে। নচাশিংদো ৱারি শাশি ফোন অমুক্তা তৌরো।' মমানা কোন ফেংনা ফেংনা লাউরকই।

ঐহাক্লা থংনবা কাগী তেবলদা থল্লিবা ফোনদো লৌবা চঙলকই।

---

## শৈরেং

### চুমগী মরাইবক

*দে শ্যামসুন্দর শর্ম্মা*

ফক্লাংদা নপ্লগা চৎলিবা চুম
মৈঙান্দা ঙাওরবা জীব মচাশিং
তান্নৈ চুন্না চেল্লিবা জীব মচাবু
ওহ! ঙমখ্রে চুন্না
খঙহৌদে য়োংখি মীৎকুপ্তা
মপুক নোয়থোক্লবা চুম
নোম নোম লাকই।
পোথাই থোঙ অনীরক কারক্তা,
খঙহৌদে থোঙদো খুদক্তা ঘম...
চপখায়রে চুমদো খুদক্তা
য়োংখিবা জীব মচাদুগা লোয়ননা
থৱায় মাঙলে থোঙ কারক্তা

### নীংশিংলকপা মীৎকুপ অমা

*ওক্রম মেমা*

অয়ুক্কী লীক্লা অসিদা
ইংখোলগী অশং-অমান
লৈকোলগী লৈরাং লৈখল
উচেক শঙ্খ শঙ্খ
কয়াদা নুংশিনা কাইহৌরিবা
তাইবংপানগী পূক্লিং-ৱাখলবু।

হিংনবগী খোঙচৎ অসিদা
লৌতুনরি
কুম্মৌ য়েংলি অতিয়াসু মালেমসু।

নীংশিংলি
অঙাং মচাগী পূন্সিবু
মমা মপা ৱারী মচেৎ মচেৎ।

মন্দিরদা ৱাকৎপা লাকখি নামা খোঙতেকপা
মন্দির মপান্দা উখি খোঙ অনীমক তেকপা,
অদুগা খল্লি
ওহঃ অসি ওইরবোই তাইবংপান!

### পূক্লিংদা

*নন্দা মৈতৈ*

অঙকপা ফংনা শেমজিন শাজিনবা ৱারী
সুকওই ওইথোকপা য়াররোইদবা ৱারী
থম্মোয়নদি খৈনা খোয়দাজবা ৱারী
চীম্থাং য়ৈনা লীনরবা ৱারী
শোক তারিখদি অমত্তা য়াওদবা ৱারী
মীৎকী কুম্মৈদা নুংঙাইরবা ৱারী
ফুঙ্গা ৱারীগুল্লবা ৱারী
অদুগুম্বা, লৌশিংগী ৱারীনা
নঙবু খক ঙাওহনগনুকো
কনামত্তনা ঙাওহনবা ঙমদবা
হে নুংশিরবা পূক্লিং!

### পাবিনু ইকাইজৈ

*আর কে নরেন্দ্র সিংহ*

খন্দোক খঞ্জিন তৌবদা
ফজৈ ফজদে নৈনবদা
হেক্তমক হেক্তা চিংথহৌই।
হাপ্তি হাপ্লিংবনি শৈরেংসে
সুকশোই শোয়দনা খূৎনমসিদা
নীংজিং মাঙজিংনদুনা তোকহৌই।
ৱাখলদো ৱাহৈদা ওন্থোক্তুনা
শেমদোক শেমজিন তৌদুনা
ফদি ফজরবনি খঞ্জৈ।
পাবীবনা পাবদা নোক্লখিদ্রা
পাবু পাবীগদ্রা খনবদা
মথংদা মথংগীদমক লৌথোকহৌই।
মাগী মরাইবক্কীদমক খল্লুবদা
মীচং মীখাই নাইবীবদুদা
অসুম অসুম নুংঙাইরক্ত্রে।
খল্লি খন্থদুনা ৱাখলসিদা
মাগী মরালবু করিনো
পাবীবা পাবীদবা থিখ্ররোই।
ইকোন কোনবা লাইরিক্তুদা
য়াওরে য়াওরে শৈরেংদু
পাবীনু ইকাইজৈ হায়বিদু।
মমিংদুগী মিংদাদুনরা খঙদেদা
হঞ্জিন হঞ্জিন পানখ্রেদা
খন্দোক খাক্কী শৈরেংদু।

### মতম ঐদি উহৌই মফম ঐদি খঙহৌই

*সোইবম রাধে লৈমা*

ভোটসু থাদবা ফংহনখিদ্রে
ভোটর লিষ্টতা চন্দবদৌনা
চহীদি অতিয়া পল্লবসে।
ৱার-চিরবা মতমদা
মশক মশা উখিদ্রবা
মীখল মতম লাল্লবদা
অথাবা মায়থোং উরকই
ইকাইবা খঙদ্রবা মখূৎনা
কবোক খোইদুম পায়রগা
লাকও লাকও কৌরকপা
অমত্তা হেক চিংখদে।
মীওইবসে মান্নদেকো
তৌজদবা লাঞ্জদবী শাদুনা
কনা খঙলোই উরোইনা
নিংথৌ কোনুং চংলগা
তরেৎ শেঞ্জা খায়রুবা
ফজবা মায়থোঙগী মমিদো
সনথোংগী থোঙ্গালদা নমায় ফৌরামুক পাক্লা
মোমোন তৌনা ঙানথোইবা
মীপুম তিংনা উবনি
ওন্থোক্লা হরাওনা থোক্লকই
অদুনিদনা হে মীওইবা।
নখূত্তা য়োংচাক চরোং চরোং
লেমলৈঙা অচৌ অচৌবা
লোইরমগনি অদুম নুমিত্তুদা
হুমাংগী মমল নত্তবনা?
থৱাই পানবা কয়ানা
তৌরি থাংলিবা পূম্বা
তাইবং কনানা উহৌদ্রবসু
তাইবং কনাদা তাক্লমদ্রবসু
মতম ঐদি উহৌই,
মফম ঐদি খঙহৌই
পূন্নমক লোইনা খঙহৌইকো।।

### করি কায়

*-রন্ধীর থিয়াম*

ধর্ম মীনা শেম্বনি
মুর্তি মীনা শাবনি
ঈশ্বর মীনা লাৎপনি
খেন্নবা মীনা ওইহনবনি
খেন্নবা থমদবদা করি কায় ?
নুংশিন্না হিংমিন্নবদা করি কায়?
পুন্না লৈমিন্নবদা করি কায় ?

### নাচলনা চেনবা

*-এলাংবম ধনঞ্জয়*

হেল্লোইনা পুদুনা, ৱাখল ফৈদুনা
অফবসু তাদে, অচুম্বসু লৌদে,
লৈকুৎতা হিপ্পী ফমুংনি হায়দুনা
তিনপ্লোক থোংবা চাই হাওনা চাই
ঙানপ থোংবা অহাওবনি হায়না।
কৌরবসু খুমদে, নাদা তাদনবা উচলচন্দুনা
কিবদগী, লাউবদগী, ফৈবদগী
নাচল পাইবা হেল্লোইনা চেল্লি।
ময়াই কাবগী নাচলনা চেল্লে
পুন্সি লংনা তৎলবা তেলঙ্গাগুম
অর্থ থোক্তনা মালংদা পাইরি।
উতোন্দা, ৱাতোন্দা পল্লে লৈশিন্দুনা
লৌথবা ঙমদনা অৱাংবদা
পাম্মুবনা, পামজবনা লৌথনবা হোৎনৈ,
অৱাংবা কাদুনা, ৱাশাং পায়দুনা, মপাং কৌদুনা,
অরেম্বা তারে, মচেৎ মচেৎ শেগাইরে।
হৌনা, নুংশিনা খোংঙু মোইবুংদু
নাচলনা চেনখ্রবদু তানবা,
কন্না য়ৈয়ু কন্না খিংঙু পুং ঝাল খিংদুনা।
নাচলনা চেনবা ওইরবদি তাগনি, খঙগনি
মমিৎ পাংগনি, থোরক্কনি লাংদগী
তৎখ্রবা তেলঙ্গাদু শেগাইদ্রিঙৈ লোকহৌ।।

### তাইবংগী অঙকপা

*- আই এস থৌনা*

উচিদৈ ওনখিবা কৈ অদুনা
শেম্বীবা মপুবু কাউথোক্তুনা
মুণিবু চাগে থৌরাংলুই
অদুগা,
সরকার চৈরম্বা
ছাত্রগী লুচিংবা অদুসু
মন্ত্রী ওইখ্রবা মতুংদা
ছাত্রবু চৈবা হৌরকই।

### নুঙ্গোইবীগী শারেলশা

*-য়ুম্নাম শ্যামসুন্দর*

নীংশিংলি ঙসিসু নীংশিংলি,
কাউঙমদে মীৎকুপসিফাও কাউঙমদে,
অদুঙৈগী হৌখ্রবা ৱারী
নুঙ্গোইবীগী ৱারী শিংবুলদো।

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা,
শামা পাঙ্গনবা লমজাগী,
পাম্বা তরেৎ হাৎঙম্বা
খুমন নোংয়াই পুরেম্বদো।

লৈবাক নিংথৌগী অচানবা,
শক্তা চুদা ৱাত্তবা
লৈমা অতোনবী লৌখিবা
মোইরাং মশাইকোনদা শৈদাংবদো।

লৈবাক কাঙলোন অরুবা,
মনুং মপান নাইবনা,
চাউবা নোংথোন থৌগায়দা
নুঙ্গোইবী শরেল ওইখিবদো।
কুমঙমদনা কুমখিবদা নহাকপু,
অমম শিংকুম লম্বীদুদা,
অথৌবনি নহাকসে অথৌবা
খুমন নোংয়াই নহাকসে।

মান্নদবা মালং খোঙচৎনি,
চৎখিগুম অথৌবা নহাক্লা,
মপারী মমোম থাদোক্লা
চৎখ্রে অথৌবা কয়াসু।

চৎকনি ঐসু নখোয়গুম,
থৱায়না হকচাংদগী লাপখ্রবদা,
হকচাং পোলাং অরেমখাক্তি
ওইহৌগনি অমুক মহাক্তি
নুঙ্গোইবীগী শারেল শা
নুঙ্গোইবীগী শারেল শা।

### মপোকসিদা

*- লোকেন্দ্রো সোরামচা*

মীখা পোন্দনা পোক্লকপনি
ননিং তৌ পূন্সিসিদা
অদুবু তৌবদি,
নশক নমিংতদি তাক্লম্মু
পোষ্ট মোর্টেমগী টেবলদা।

### মী

*- আর কে কর্ণজিৎ*

মীৎয়েং মীৎয়েংগী ৱানি,
খঙনরিবা ঙাক্লি
মপাঙ্খোঙদা শেৎনরিবা
ফিজোলগী মনুংদা খুল্লিবশিংদু।
মদু উদবদুবু নৎত্রনে?
শা নত্তবা মী?

---

## তাবুনুংদগী

### চৈথাবা

লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লৈনবগীদমক চহী অমগী মনুংদা কোনুংদা তৌগদবা থৌরমশিংগী মনুংদা চৈথাবা হায়বসিসু অমনি। চৈথাবা হায়বসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি চৈ লাওবা (চৈরাওবা) হায়দুনা পাঙথোক্লরম্মী। লমতা অমসুং শজিবু অনি তাইনবগী লোন্নবা অহিংদা নিপা মরিনা চৈ পায়দুনা লৈরক্তা লমজাওদা অনৌবা চহী লাক্লনি হায়দুনা লাওদুনা চৎলম্মী। মসিবু চৈরাওবা হায়না খঙনরম্মী। অসুম্না নুপা মরিনা পুরম্বা লৈবাক্কী থৌ অসি কিয়াম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তগী তোকহনখ্রে। মসিগী মহুত্তা মী অমত্তনা নিংথৌগী অফ-ফত্তা পূন্নমক পুগনি হায়না য়াবগা লোয়ননা লাইরোন শোন্দুনা ৱাশকই। অসিগুম্বা চৈথাবা অসিগী মমিং লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক ইশিনবা চৈথারোল কুম্বাবা ইবদা অমদি কুঠিনচিংবা ইবগী কুম পাবদা শীজিন্নে। চৈথাবা অসি চহী খূদিংগী মী অমমমনা শিল্লি। কুলচন্দ্র সিংহনা ইদিট তৌবা কংলৈ নিংথৌ চহী হায়বা লাইরিক অদুদা ইরম্বা চৈথাবগী অকুপ্পা ৱারোল ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

*"লৈশেমঙৈদগী লৈনুং শেঞ্জা পাখংবগী মতমদা চৎনরকপনা মতুংদা মৈদিংঙু কিয়াম্বা ইনিংথৌগী সনা হাক্তক্তা ১৪০৬ তগী হান্নগী চৎনরকপা থৌরমনা লাইরোন ওইনা হায়রগা নিপা ৪না পুরম্বা চহীগী মশিল অসি তশেংনা নুপা অমত্তা পুহল্লসি মাগীদমক্তা থৌগায়বিরসি হায়না সনা য়াথং তাকপীদুনা লোয়শঙ পুন্নমক্লা খন্নদুনা সনা য়াথং লৈপাক তাহন্দনা লৈবাক কোয়বা অঙম্বশিং পুন্নমক্লা লিক্লাই নিংথৌরেনগী সনা য়াথংবু কায়দনা চহি অসিদগী হিয়াংলোই পোইরৈচা কৌবা মদাইরেম অথৌ অয়াং কোনববু লৈবাক্কী নিংথৌগী উশিল ওইনা থোকপিখিএ। মদাইরেম হিয়াংলোই অথৌববু লৈবাক নিংথৌগী থৌ কায়বিদুনা নহাল নোংগী চৈ পায়দুনা লাউরম্বা চৈ অদুবু থাদোকখ্রে হায়বগীদমকপু পোইরৈচা হিয়াংলোইবু চৈথাবও কৌদুনা কৌরঙৈনে। অদুসু মদোমদে ৱাঙম শুদোন তানা লাংহৈ কুমশিং খূদিংগী কুমজা লাকয়েন তাইবা খূদিংগীবু পোইরৈ ইদাইরেমশিংনা ৱাক্তা চৈথাবও কৌনা থৌপুহৌরসনো হায়না লিক্লাই কোলোই নয়াথং অথুম্বনা পোইরৈ মীপুম তানা নিংথৌ সনা ময়াথংবু হায়থোকপিখিয়ে হায়দবরা।"*

### মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

- **তিনখুৎকা লাইখুৎকা মান্নখ্রে।**
  –চোংলম চাদবা ময়াম পুনশিন্নখিবা।
- **তিনখুৎকা লাইখুৎকা মান্নবা য়াবা হৌনদে।**
  – মীনা শেম্বগা লাইনা শেম্বগা কৈদৌনুংদা মান্নবা য়ারোই।
- **তিনজেন-লাইচেনবা তিংগং য়াংগংবনা হি য়াই ফংগন্দে।**
  – অশোনবা অৱা অনা তারবা মীদি কান্নবা ফংগন্দে।
- **তিনশিনবদি হৈবা খাইদোকপদি হৈতবা।**
  – লৌশিনবদি ফবা, পীথোকপদি তৌদবা।
- **তিনফা কাকফৈনা লাম্বদৌনা লাম্বা।**
  – অফং-অফংবা ফংনবা কোয়লাম লাম্বা।
  – অমদগীসু অমদগীসু কান্নবা লৌহৌনবা হোৎনবা।
- **তিতিনা অর থংবা (অর তিতি ওন্নবা)।**
  – নুপীনা ঙম্বা নুপা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

### চানক্য নিতি

- নক্লনা তিন্নবা মীদা ইকায়বা পীবা অমদি মরাল খক থংশিনফদে।
- লৌনম্বা, নমথাক তৌবা, চিরোল তৌগনবা, মীফত্তা ওইরবদি হেক পোকপিবা ইমা ফাওবা থাজরোইদবনি।
- হূনা শোকহল্লবা ইখুৎমক ওইসনু, চিংনবা লৈতনা কক্কদবনি। অসুম্না মীফত্ত ওইরবদি ফনা নক্লবা ওইরবসু লাপথোকউ।
- লল্লানবা ওইরবসু নঙগী য়াইফন্নবতা খনবা মীবু ইচা-ইনাওগুম্না লোয়নগনি।
- হূরানবশিংবু কৈদৌনুংদা থাজবা থল্লোইদবনি।
- কংলবা উমংদসু কান্নবা হিদাক লাঙথক্তি ইরায় লায়না ফংই।
- খেন্নবা উদে হায়দুনা য়েক্লবদি কৈদৌনুংদা লাইথোকফদে

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

### মণিপুরী পাউখোঙ

৯০০ – পেৎনা য়ুবা নাইদনা শেকপা করিনো?
৯০১ – পাইর উচেক তার উনা করিনো?
৯০২ – মচিন্না চারগা মমৈনা হরাওবা করিনো?
৯০৩ – মপাল বেঙ্গুল মনা থাংশাং করিনো?
৯০৪ – মমিং নত্তবা কৌরগা খুল্লকপা করিনো?
৯০৫ – মনুং আমৃত মপান ফুরী করিনো?
৯০৬– মচানা মমা চাবা জীব করিনো?
৯০৭– মবুক্লা চারগা মচিন্না ফাইবা করিনো?
৯০৮– মবুক্তা মচিন পানবা পোৎ করিনো?

*(ঙসিগী পাউখোঙ লমায় ৮দা ফোঙজরি)*

### মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
### ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা 'মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

*– জর্নৈল সিংহ*

... হান্নগী মখা...

#### অঙকপা অদুবু অচুম্বা কেসশিং

শোক ১৯৭৯ অদুৱাইদা ইলেকত্রিসিটি দিপার্টমেমেন্টতা নীয়ম লান্না হাপখিবা মশীং য়াল্লবা ৱার্ক চার্জ অমসুং তেমপোরেরী ৱার্করশিং থবক্তগী তর্মিনেট তৌখি। কোন্না মীওইশিং অসিনা ত্রিবুনেল অমদা ৱাকৎলম্মী, ত্রিবুনেলদুনা মখোয় খরবু থবক্তা হনজিলহল্লম্মী। ইলেকত্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা রিএপোইন্টকীদমক প্রোসেস হৌরম্মী, অদুবু মীওই ১৪৪ অদু থিবা ফংলমদে। ইলেকত্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা লৈবা মীওই খরনা শরৌ শীন্নদুনা এপোইন্টমেন্ট তৌনবগীদমক মীওই ১৪৪গী লিষ্ট অমা শেল্লম্মী। চিফ ইঞ্জিনিয়ার অমসুং পাৱারগী কমিস্নার অনিদা মখোয়না করিগুম্বা এপোইন্টমেন্টকী প্রোপোজেল অদু প্রোসেস তৌদ্রবদি মখোয়গী খুৎশিং অদু ককথৎকনি হায়বা য়াওনা নাতে চারোয় হায়না মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা কিহল্লম্মী। ঐনা চেক তৌবা মতমদা খঙলম্মী মদুদি মীওই ১৪৪গী লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা মীশকশিং অদু ১০৭৯দা তর্মিনেট তৌখিবদা অমত্তা য়াওখিদবা ঙাক্তনি। তশেংনা হায়রবদা লিষ্ট অদুদা য়াওবা মী অমদি ১৯৮২ ইংগী মতুংদা পোকপা ওইরম্মী। প্রোপোজেল মপূমদু নমথাক্কী ওইরম্মী।

এডভোকেট জেনরেলগী মতেঙনা, ঐনা অফবা ওর্দর অমা দ্রাফট তৌরম্মী অমদি এপোইন্টমেন্টশিং অদু ককথৎলম্মী। ঐনা খঙই মদুদি মমাঙদা থোকখিবা অরুবা কেসশিং খরদা থোকখিবগুম্না ফাইল অদু মাঙখিবা য়াই। মরম অদুনা ফাইল অদুগী ফোটো কোপি অহুম ঐহাক্লা শেল্লম্মী অমসুং ঐগী ওফিসতা অমা থল্লম্মী।

ঐনা খঙই মদুদি চীফ ইঞ্জিনিয়র অমসুং পাৱারগী কম্মিস্নরদা তশেংনা কিহল্লকপা লৈরম্মী। মখোয় অনীনা নমথাক্কী প্রোসেস অদুগী শরুক অমা ওইরুবা অদুদা মখোয় শাথিনা নুংঙাইরমদে। মসিগী কেস অসিনা ঐঙোন্দা পারা অমা তম্বী মদুদি লোকেল ওফিসরশিং অসি ঐগুম্না নীংথিনা ঙাক শেনবীদবা মতমদা মখোয়না নুংতিগী থবক তৌবা মতমদা খূদোংথিবা কয়া মায়োক্নে।

*মখা মথং নোংমাইজিংদা...*